# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ১৩৪ শুবা মণিপুর পুলিস রেজিং ডেগী ফুল রিহারসেল ঙসি পাঙথোক্কনি। লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা লৈরে।

২) নুমিৎ নিনি চত্থরকপা ইন্দিয়ান হিমালায়ান রিজন ক্লাইমেত চেঞ্জগী ঙসি মীফম লোইশিনবগী থৌরমদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা শরুক য়াগনি।

অমসুং

৩) বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙসি লোইরগনি।

**------**

পুলিস(এল)ঃ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩৪ শুবা মণিপুর পুলিস রেজিং ডেগী ফুল রিহারসেল ঙসি পাঙথোক্কনি। মসিগী য়েংলগী লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সিংহ এন্দ কম্পনি মোইরাংখোমদগী সিভিল সেক্রেতরিয়েট তমা লাকপা গাড়িশিং অয়ুক পুং ৭ তগী রিহারসেল লোইদ্রিবা ফাওবা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা লৈরে। কালিমাই মন্দিরদগী বি.এস.এন.এল ওফিস ফাওবগী লম্বীগী নাক য়েৎতা ফঙ্কসন মনুংদা গাড়ি খাম্বা য়ারোই হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিস লিংখৎখিবগী ১৩৪ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কিলোমিতর ১৬ অমসুং কিলোমিতর ৫ শাংবা রেজিং ডে রন পাঙথোক্কদৌরি। ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মণিপুর পুলিসনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা লমজেল অসি হয়েং কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী লমথারগা তেরিতোরিয়েল আর্মি গেট ক্রোসিং ফাওবা চৎলবা মতুং কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতা পন্থুংফম ওইগনি। লমজেল অসি লমথাফম কংলাগী নোংচুপ থংবা গেট, নিতাইপাৎ চুথেক, কৈশামপাৎ জঙ্কসন, নিংথেমকোল, এয়ারপোর্ট লম্বী, তেরিতোরিয়েল আর্মিগী গেট ফাওবা চৎলুরবা মতুং লম্বী অসিদা অমুক হল্লক্কনি।

লমজেল অসিগী য়েংলগা হয়েং অয়ুক পুং ৬ তগী লম্বী অসিগী নোংচুপ থংবা অমসুং অৱাং থংবা সাইদশিং গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি। মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা অয়েৎপা থোক্তনবা দরকার লৈবা থৌরাং পায়খৎলে। লমজেল অসি য়াওবা লাক্লিবা শান্নরোইশিংগী গাড়িশিং বি.টি. পার্ক অমসুং জোনষ্টোন স্কুলগী লম্বী পরিংদা খান্বা য়াগনি। ওফিসিয়েলশিংগী গাড়িশিংনা জি.এম. হোল অমসুং ইন্দিরা পার্ককী লম্বী পরিংদা গাড়ি খান্বা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

ভল্লা (এল)ঃ নুমিৎ নিনি চথুরকপা ইন্দিয়ান হিমালায়ান রিজন ক্লাইমেত চেঞ্জগী মীফম ঙসি পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা লোইশিল্লগনি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিনবা থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি অরুন কুমার সিনহা শরুক য়াগনি।

থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা ইনভাইরোনমেন্টকা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা লাইরিকশিং ফোংবগা লোয়ননা ষ্টেট ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত দেটা সেন্তর অমা হাংদোক্কনি।

হেল্প লাইন (এল)ঃ   রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকী মখাদা লৈরিবা ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর ১৮১ অমসুং চাইল্ড হেল্প লাইন নম্বর ১০৯৮ অসি য়াখিদ্রে। মীয়ামা অনৌবা ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর- ৭০০৫৭৭৬১৪৪ অদুগা চাইল্ড হেল্প লাইন নম্বর- ৮১১৯৯১৮২৫৭ না ফোন তৌবীরকবা সোসিয়েল ৱেলফ্যার দাইরেক্তর অননা অরাম্বমনা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি। টেকিকেল এক্সপার্টশিং তান্নদুনা হান্নগী হেল্প লাইন নম্বরশিং অসি অথুবা মতমদা য়াননবা কন্না হোৎনরি  হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

কেন্সর (এল)ঃ  ব্রেষ্ট কেন্সরগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা এস. কুলা ৱিমেন্স কলেজ নম্বোলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা অখঙ অহৈশিংনা লায়না অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

কেম্প (এল)ঃ   অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনাম খুলদা পাঙথোকখ্রে। ওপরেসন সদভাভনাগী মখাদা মীয়ামগী হকশেল ফনা থমনবা কেম্প অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ  বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈমারাম ময়াই লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা হাংদোক্লিবা আই.দি.পিশিংগীদমক দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা ঙরাং ফি তুনবা মেছিন, ফিশা কোন অমসুং সোল্লর লেম্পশিং য়েন্থোকখ্রে। মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তরগী মখাদা ৮ সুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফকী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরিবা আহ.দি.পি ১১০ দা পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি।

ফিলম (এল)ঃ  মথং থাগী ৬ তগী ১৩ ফাওবা কোলকাতাগী নন্দনদা পাঙথোক্কদবা এসিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা ফিলম ফেষ্টিভেল ৩১ শুবা কোলকাতা ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল অসিদা রাকেশ মোইরাংথেমনা দিরেক্সন পীবা

মণিপুরী ফিচর ফিলম- ফৌওইবী, ইন্দিয়ান লেঙ্গুএজ ফিলম কেটাগোরিদা শরুক য়ানবা ওফিসিয়েল সেলেক্সন তৌরক্লে হায়রি।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙসি লোইরগনি। সিট ২৪৩ লৈবা বিধান সভা মীখল অসিগী বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ অহানবা তাঙ্কক্তা লাক্লিবা নবেম্বর ৬ তা ভোৎ থাদনগনি। মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি হয়েং পাঙথোক্কনি অদুগা মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ২০ দা ওইগনি। তাঙ্কক অসিদা পাটনা, দরভঙ্গা, মজাফরপুর, গোপালগঞ্জ অমসুং ভোজপুর জিলাশিং য়াওরি।

অনিসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ মথং থাগী ১১ দা থাদনগনি। অদুগা নবেম্বর ১৪ দা ভোৎ মশিং থিগনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং অন্ধ্র প্রদেসতা লুপা কোতি ১৩ লিশিং ৪৩০ চংনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখ্রে, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে। প্রোজেক্টশিং অসিগী মনুংদা ইন্দষ্ট্রি, রেলৱেজ, ঙাকশেলগী পোৎলমশিং পুথোকপা, পেত্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস অমদি পৱার ত্রান্সমিসননচিংবা য়াওরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত অসি ক্লিন ইনর্জি অমসুং ইলেক্ত্রিসিতিগী লমদা খুমাং য়াংনা চাওখৎলক্লি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী খুঙ্গং খুদিংমক্তা মৈ ফংহল্লে অমসুং পারকেপিতা ইলেক্ত্রিসিতি কনজমসন য়ুনিত লিশিং ১,৪০০ য়ৌরে। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসি অহানবা ওইনা ভিসাখাপতমবু আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স হব ওইনা শেমগৎলগনি।

মদুগী মমাংদা শ্রী মোদিনা নন্দালিয়া জিলাদা লৈবা শ্রী ধনারম্বা-মালিক-অরজনা স্বামী ভরলা বেদাসথানমদা লাই খুরুমখি। মহাকা শ্রী সাইলমদা লৈবা শ্রী শিবাজি স্পুথি কেন্দ্রদসু চৎখি।

গুজরাত ঃ গুজতরাত্তা, মুখ্য মন্ত্রি ভুপেন্দ্র পাতেলনা লুচিংবা সরকারগী মন্ত্রি মন্দল ঙসি হোংদোক হোংজিন তৌগদৌরি। মন্ত্রি মন্দল হোংদোক হোংজিন তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা মহাক্কী সরকারদা য়াওরম্বা মন্ত্রি ১৬ ঙরাং রিজাইন তৌখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনসু মখোয়গী রিজাইন তৌবগী চেরোলশিং অয়াবা পীখে।

বি.জে.পি লুচিংবা অমনা হায়- রাজ্য অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোকেল বোদি মীখলগী মাংওইননা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং দলগী লুচিংবশিং মনিং তমা থৌরাং কয়া পায়খৎপা য়াননবা মন্ত্রিশিং অদু ফম থাদোকবা খঙহনখিবনি। ফম থাদোকখ্রবা মন্ত্রিশিংগী মরক্তা কেবিনেট রেঙ্ককা ৮, ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জকী রাজ্য মন্ত্রি ২ অমসুং রাজ্য মন্ত্রি ৬ য়াওরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নিংঙোল চাক্কৌবদা য়োনগদবা ঙাগী মমল লেপখ্রে, ঙা খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপদা ল্পা লাখ ২ পীরগনি হায়না ফিসরিজ দাইরেক্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- বি.জে.পিগী এম.এল.এ থৌনাউজম শ্যামকুমারনা লৈঙাক্কী অশোইবা অরানবশিং শবাক ফাল্লক্লে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসনদা- অনৌবা লম্বী চেকখায়বা সুপরভিজন ৱাৎপ্রা হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। ৪৬ শুবা ফিস ফিয়ার কম ফিস ক্রোপ কম্পিতিসন ২০২৫ হায়বা কেপসুল অসিগী মখাদা পেংবা অচৌবনা কিলোদা ৫৫০, শরেংনা লিশিং ১,৫০০ হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অসিদা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- ইন্দিয়ান হিমালায়ান রিজন ক্লাইমেত চেঞ্জ কনক্লেভ হৌদোকখ্রে, চীংলোন্না কোইশিনবা মণিপুরদসু ক্লাইমেত চেঞ্জগী চপ চাবা চৈথেং ফংলি হায়না চীফ সেক্রেতরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন

তৌরি।

চাক্কৌবগী মীংদা পোৎ চৈগী মমল হেনগৎনা য়োন্দনবা দ্রাইভ চখরগনি হায়না নিপকোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসুং পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী লৈরিবা ইন্দিজিনস মীয়ামগী রাইট ফংননবা ইন্দিজিনস পিপলস পার্তি শেম্লগনি হায়না তিপ্রা মোথাগী ফাউন্দর প্রদিওট কিশর দেব বরমানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইশা ইশাগী স্কিল শিজিন্নদুনা পুথোক্লিবা লমদমসিগী পোত্থোকশিং শিজিন্নরবদি শেনমিৎলোনদা অওনবা পুরক্কনি হায়বা পাউ অমসুং পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- পোপুলর গভর্নমেন্ট নবেম্বর ১৫ গী মতুংদা শেম্লবা য়াই হায়না এম.এল.এ- শ্যামকুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। সরকারনা রাজ্য অসিগী মরুওইবা পাৎ মঙা কন্নবা হোৎনরি হায়না চীফ সেক্রেতরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সি.বি.সি ইম্ফালনা স্পেসিয়েল আউটরিটচ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ মণিপুর মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- ইশা য়াওনা মীওই কয়া চীফ মিনিষ্টর পোষ্টকী তান্নরি, নবেম্বর ১৫ গী মতুংদা পোপুলর গভর্নমেন্ট শেম্লগনি হায়না এম.এল.এ- শ্যামকুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা ক্লাইমেত চেঞ্জগী চৈথেং হন্থনবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংগী দাইত্ব লৈ হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- সিপোই কে. অসুলি বির চক্র নাগা ইন্দিজিনস রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপকী অহুমসুবা ইদিসন লোইশিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না অশেম ওংবী রিতা মীহাৎ য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পাকিস্তান অমসুং আফগানিস্তান সিজ ফয়ার তৌনখ্রে হায়না তমেংলোং টাইমসতা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------